# RNU, IMPHAL
# MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM
**(DATE 17-08-2025)**

**গভনর ঃ** মনিপুরগী রাজ্যপাল-অজয় কুমার ভালানা নাগালেন্দগী রাজ্যপাল ওইনা অহেনবা থৌ পুরগনি।

নাগালেন্দগী রাজ্যপাল-লা গনেসননা লৈখিদবদগী শ্রী ভালানা নাগালেন্দগীসু রাজ্যপাল ওইনা থবক পুননবা রাষ্ট্রপতি-দ্রৌপদি মুরমুনা খঙহনখিবনি।

নীংশিংবা য়াই, লা গনেসন মনিপুরগী রাজ্যপাল ওইনা ইং ২০২১ গী আগষ্ট থাদগী ইং ২০২৩ গী ফেব্রুৱারী ফাওবা থবক পায়রমখি। মহাক হৌখিবা ইরাই নুমিৎকী নুমিদাংৱাইরমদা লৈখিদবনি।

**পুলিস (এল)ঃ** রাজ্য অসিদা তপা তপা ইং তপ্পা হনজিল্লক্লি। হৌখিবা পুং ২৪ দা পামদবা থৌদোক থোকপগী পাউ লৈতে।

সেক্যুরিতি ফোর্সনা চীং অমসুং তম্পাক্কী চিংনবা মফমশিংদা থিবা হুন্থবগী থবক চত্থরি।

সেক্যুরিতি ফোর্সনা ঙরাং ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাগী পাৎশোই পার্ট ফোরদগী আর.পি.এফ-পি.এল.এগী কাদর অমা ফাখি। মহাক দুকানশিং, করবারৱালাশিং অমদি মীচম মীয়ামদগী নম হাদুনা শেল খোমগৎপদা চেন্নবা মীশকনি হায়রি।

মনিপুর পুলিসনসু ঙরাং থৌবাল জিলাগী তেন্থা মখা সঙ্গাইয়ুম্ফম মাইরেন খুলদগী গাড়ি হুরানবা মীওই অমসু ফাগৎখি। মহাকা হুরানখিবা চাকা অনি পানবা গাড়িসু ফাগৎলে।

অমরোমদা, মোটোর ভেহিকল এক্ট থুগায়দুনা গাড়ি থৌবগীদমক লুপা লিশিং ৭১ ফাইন ওইনা থিহনখ্রে। রাজ্য অসিগী জিলাশিংদা চেক পোইন্ট ১১৪ হাংদোক্তুনা অচৎ অওকশিং চৎথোক চৎশিন তৌবদা অপনবা থোক্তনবা থৌরাং লৌখৎলি।

**জর্নেলিষ্ট ঃ** মনিপুর ষ্টেট জর্নেলিষ্ট এৱার্ড ২০২৫ পীননবগীদমক দরখাষ্ট কৌরি।

রাজ্যগী ইনর্ফোমেসন অমসুং পাব্লিক রিলেসন্সকী দিরেক্তর-ঙাঙোম উতমনা থোকপা চেরোল অমদা হায়-নেসনেল ইন্টিগ্রেসন অমসুং কম্যুনিনেল হারমোনিদা য়ুম্ফম ওইবা এদিটোরিয়েলশিং ইবগীদমক বেষ্ট এদিটরগী এৱার্ডকীদমক এদিটরশিংনা দরখাষ্ট পীশিল্লকপা য়াগনি।

মসিগী মথক্তা রুরেল রিপোর্টিং, পাব্লিক হেলথ এন্দ হাইজিন, ৱিমেন এন্দ চিলদ্রেন, স্পোর্টস, আর্ট এন্দ কলচর, সাইন্স এন্দ টেকোলোজি অমসুং পালির্য়ামেন্টরি রিপোর্টিংনচিংবগী মতাংদা তোঙান তোঙানবা মনা তরেৎসু পীননবা পাউমীশিংদগী দরখাষ্ট কৌরি। দরখাষ্ট পীশিনবগী অরোইবা মতম মথং থা সেপ্তেম্বর ১৫ ফাওবনি। চহি অসিগী নবেম্বর ১৬ তা পাঙথোক্কদবা নেসনেল প্রেস ডেগী থৌরমদা মনাশিং অসি য়েন্থোক্কনি।

**নেসো (এল)ঃ** য়ুনিয়ন পাব্লিক সার্ভিস কম্মিসন (য়ু.পি.এস.সি) পরিক্ষা থানিংবা অৱাং নোংপোক রাজ্যশিংগী মহৈরোইশিংগীদমক নোর্থ ইষ্ট ষ্টুদেন্টস ওর্গনাইজেসন (নেসো) না লেমা কোচিং ক্লাস পীরগনি।

নেসোগী এসিষ্টেন্ট সেক্রেটরি জেনরেলনা থোকপা চেরোল অমদা হায়- অৱাং নোংপোক রাজ্যশিংদা লৈরিবা মহৈরোই কয়ানা য়ু.পি.এস.সিনা লৌবা পরিক্ষাশিং থানিংবা লৈরবসু শেল থুমগী অৱাবা লৈবনা দল্লিদা চৎতুনা কোচিং তৌবা ঙমদবা মহৈরোইশিংগী য়েংলগা থৌরাং অসি লৌখৎলকপনি।

মসিগীদমক মনিপুরদগীসু মহৈরোই অনি খনগনি। শরুক য়ানিংবা মনিপুরগী মহৈরোইশিংনা থা অসিগী ২০ ফাওবগী মনুংদা মেনশিল্লবা ফোর্মশিং পীশিল্লকপা য়াগনি হায়রি।

**পিএম ঃ** লুপা কোতি লিশিং ১১ চংনা শেমগৎপা নেসনেল হায়ৱে প্রোজেক্ট

অনি, প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদিনা ঙসি ন্যু দিল্লিদা শঙ্গারগনি।

প্রোজেক্ট অসিগী মনুংদা দুৱারকা এক্সপ্রেস ৱেগী দিল্লি সেক্সন অমসুং অবার্ন এক্সটেন্সন রোড-টু য়াওরি।

প্রধান মন্ত্রি ওফিসকী পাউনা হায়-প্রোজেক্টশিং অসি লৈবাক্কী কোনুং অসিদা লম্বী চিনবগী ফিভম মায়োকরিবা অদু হন্থহন্নবা পায়খৎলকপনি। অনৌবা লম্বীশিং অসিনা মতম চংহন্দনা অমসুং লম্বী চৎথোক চৎশিন তৌবদা কোমা চৎপা ঙমহল্লগনি। থৌরম অদুগা মরী লৈননা প্রধান মন্ত্রিনা মীয়ামগী মীফম অমদা ৱা ঙাংগনি।

**জয়শঙ্কর ঃ** মপান থৌরম মন্ত্রি-ডা: এস. জয়শঙ্করনা খা-কোরিয়াগী মপান থৌরম মন্ত্রি-চো য়ুনগা ঙরাং ন্যু দিল্লিদা উন্নদুনা লৈবাক অনিগী মরীগী মতাংদা ৱারী শান্নখ্রে।

সোসিএল মেদিয়াদা থাগৎপা ৱারোল অমদা ডা: জয়শঙ্করনা হায়-লুচিংবা অনিনা লৈবাক অনিগী মরক্তা লল্লোন ইতিক, মেন্যুফেকচরিং, মেরিটাইম অমসুং লৈবাক অনিগী মীয়াম মরক্তা হেন্না তেংবাং পীনবগী মতাংদা কুপা ৱারী শান্নখি।

শ্রী জয়শঙ্করনা হায়-ৱারী শান্নবা অদুনা আরর্টিফিসিএল ইর্ন্টিলিজেন্স, সেমি কন্দক্টর, ক্লিন ইনর্জি অমসুং ঙাকশেল য়াওনা তোঙান তোঙানবা সেক্তর কয়া চাউখৎহনবদা খুদোংচাবা পীরগনি। লুচিংবা অনিনা ইন্দো-পেসিফিক লমদমশিং অমসুং মালেমগী হৌজিক ওইরিবা ফিভমশিংগী মতাংদসু কুপা খন্নখি।

**রাহুল ঃ** কংগ্রেস লুচিংবা রাহুল গান্ধিনা ঙসি বিহারগী সসারামদগী ভোট রাইটস যাত্রা হৌদোক্লগনি। যাত্রা অসি নুমিৎ ১৬ নি চুপা রাজ্য অসিগী তোঙান তোঙানবা জিলা ২৫ দা পাঙথোক্কনি।

পাটনাদা ঙরাং পাঙথোকখিবা পাউগী মীফম অমদা হান্নগী বিহার প্রদেস

কংগ্রেস কমিতিগী প্রসিদেন্ট-আখিলেস প্রসাদ সিংহনা হায়-যাত্রা অসিদা কিলোমিটর লিশিং ১,৩০০ কোনশিনগনি। মহাকা মখা তানা হায়-যাত্রা অসিদারাস্ত্রিয়া জনতা দলগী লুচিংবা তেজশি প্রসাদ যাদব য়াওনা লুচিংবা কয়া ইন্দিয়া এল্লাইয়েন্সকী লুচিংবা কয়া শরুক য়াগনি।

**নোং ঃ** অৱাং নোংপোক ভারত্তা লাক্লিবা নুমিৎ খরনি অসিদা অকনবা নোং চুরবা য়াই হায়রি।

মেট দিপার্টমেন্টকী পাউনা হায়-তেলঙ্গানা, মহারাস্ত্রা, গুজরাট অমসুং গৱাদসু ঙসি অকনবা নোং চুগনি৷ মসিগীদমক মফমশিং অসিদা রেট এলার্ট লাউথোকখ্রে। দিল্লি এন.সি.আরদা লাক্লিবা নুমিৎ হুমনি অসিদা পারপনা নোং চুরবা য়াই।

করনাতক্কা, তামিল নাদু, কেরলা, মহে, অন্ধ্র প্রদেসকী সমুদ্র খোঙবান অমসুং য়ানমদসু লাক্লিবা নুমিৎ নিনি হুমনি অসিদসু অকনবা নোং চুগনি। মধ্য প্রদেস, ছাতিসগর, উরিষ্যা, নোংপোক থংবা রাজস্থান, উত্তরাখন্দ, হিমাচল প্রদেস অমসুং হরিয়ানাদসু মসিগা মান্ননা নোং চুরবা য়াই।

## ---নিউজ পেপর হেদলাইন্স---

ঙসি ফোংবা পাউচেশিংদা ভারতকী ৭৯ শুবা ইন্দিপেদেন্স ডেগী থৌরম পাঙথোকখিবা, ষ্টেট অসিদা শান্তি অমসুং তংদু লৈতাবা ফিভম হনজিলহন্নবা কন্না হোৎনরি হায়না গভনরনা ফোংদোকখিবা ৱাফমনা মরুওইবা পাউশিং ওইরি।

ইন্দিপেদেন্স ডে থৌরম পাঙথোকপদা প্রধান মন্ত্রিনা পীখিবা ৱারোলদা লৈবাক অসিদা ইনফিলত্রেসনগী সমস্যা চপ চানা থেংনগনি। সুদরসন চক্র জি.এস.টি. রিফোর্ম, ইমপ্লোইমেন্ট স্কিম, ন্যুক্লিয়ার ইনর্জি হেনগৎহনবগী

ৱাফমশিং ফোংদোকখিবা অদুনা সঙাই এক্সপ্রেসকী এদিসন অনিমক্কী মরুওইবা পাউ ওইরি। এসিয়ান দিবলপমেন্ট বেঙ্ক (এ.দি.বি) না রিং রোড প্রোজেক্টকী শেল অমত্তা পীরক্ত্রি হায়বা পাউ অমা সঙাই এক্সপ্রেস মনিপুরি এদিসনগী এঙ্কর কলমদা ফোংলি।

৭৯ শুবা ইন্দিপেদেন্স ডেগী থৌরম পাঙথোকখ্রে। ষ্টেট লৈঙাকা নোরমেলসি লাকহন্নবা অৱাবা খঙদনা কন্না হোৎনরি হায়না গভনর-অজয় কুমার ভালানা ফোংদোকখিবা ৱাফমনা পোকফমগী অহানবা হেদলাইন তৌরি। ইম্ফাল-দিমাপুর লম্বী হৌজিকসু শিজিন্নবা য়াদনা লৈরি হায়বা পাউ পোকফমগী এঙ্কর কলমদা ফোংলি।

নাগালেন্দগী গভনর-লা গনেসন লৈখিদবগী পাউ মনিপুর মেলগী অহানবা লামাইদা ফোংলি।

বোর্ডরদা এফ.এম.আর. চৎনহনখিদবা অমসুং বোর্ডর ফেন্সিংগী মতাংদা য়ু.এন.সিনা গভনরগা উন্নখ্রে। ঐখোয়গী খোঙফম হোংদোক্তনা লেপকনি হায়বা য়ু.এন.সিগী ৱারোল অমসুং সেন্টরগা য়ু.এন.সিগা ৱারী শান্নবা শিনগনি হায়না গভনরনা পীখিবা থাজবনা হুইয়েন লানপাউগী অনিশুবা হেদলাইন ওইরি। পাউ চে অসিগী অহানবা লামাইদা ককচিং দিষ্ট্রিক্টকী দি.সি. রোহিত অনন্দনা দিষ্ট্রিক্ট অসিগী রিলিফ কেম্পশিংদা আই.দি.পি. লিশিং ৫,৫০০ রোম চংজফম লৌরম্বদু হৌজিক্তি লিশিং অনি খক্তা ঙায়রে হায়না ফোংদোকখিবা ৱাফম ফোংলি।

সনা লৈবাক্তা-পেবম চিতরঞ্জন লৈখিদবগী কুমওন থৌরম পাঙথোকখিবগী পাউনা অনিশুবা হেদলাইন তৌরি। ইরাং নেমথদুনা ফম্মীন্নবা য়ারক্লিবা অসি অথুবা মতমদা মনিপুরদা ইং তপ্পা হনজিল্লক্লগনি হায়বগী খুদমনি হায়না এম.এল.এ. থোঙাম বিশ্বজিৎনা ফোংদোকখিবা ৱাফম অমসুং লমদমসিদা খুন্দামিন্নরি য়েলহৌ ফুরুপশিং পুন্না লেপমীন্নদুনা থেংনবা মতম য়ৌরে হায়না এম.এম.টি.য়ুনা ফোংদোকখিবা ৱাফমনা পাউ চে অসিগী অহানবা লামাইদা মরুওইবা পাউশিং ওইনা ফোংলি।

নহারোলগী থৌদাংদা-৭৯ লক শুবা ইন্দিয়াগী ইন্দিপেনদেন্স ডেগী থৌরম মনিপুরদসু পাঙথোকখ্রে হায়বা বেন্নর হেদ লাইন পীরদুনা লৈঙাকা চোকথবা লৈতনা কম্যুনিতি খুদিংমক্কা তান্নরগা ষ্টেট অসিদা ইং তপ্পা পুরকবা হোৎনরি হায়না গভনরনা ফোংদোকখিবা অমসুং ইন্দিয়ান ফোর্সনা মথৌ চপ চানা পাঙথোক্কুনা টেরোরিজমগী মায়োক্তা লৈবাক অসিনা লেপলি হায়বদু ওপরেসন সিন্ধুরনা তাকখ্রে হায়বা প্রধান মন্ত্রিগী ৱারোলশিংনা সব হেদলাইন পীরি।

ইং তপ্পা হনজিল্লকবা থাদৌ অমসুং মনিপুরগী সি.এস.ওশিংগী মরক্তা ৱারী শান্নখিবা থাদৌ ইনপি-মিজোরামনা শৌগৎলক্লি হায়বা পাউ অমা পাউ-চে অসিগী এঙ্কর কলমদা ফোংলি।